# ৱর্ল্ড আর্ট দে এপ্রিল ১৫, ২০২১

- তোংব্রম অমরজিৎ -




"Our Organization would thus like to pay tribute to the solidarity shown by artists and institutions at a time when art is suffering the full force of the effects of a global health, economic and social crisis"
— Audrey Azoulay, Director General of UNESCO

মীওইবনা মালেমসিদা লৈরক্লিবসি ঙসি ঙরাংতা খুল্লিংদুনা লৈরকপদি নত্তে। চহী মিল্লিয়ন খরগী মমাঙদা মালেমগী মফম কয়াদা লৈকুৎ কোমকুৎ অমদি চাওরবা শুরুংশিংদা উকু-ৱাকু শেত্তুনা, কোয়না চত্তুনা অফং-অফংবা চাদুনা লৈরম্বগী ইভিদেন্স কয়া মখোয়না য়েক্লম্বা কেভ পেন্টিং অমদি শীজিন্নরম্বা অরিবা পোৎশক কয়ানা লেংদ্রবা খুদম ওইরি। লাই য়েকপা, লাই শাবা হায়বা কলা অসি মীওইবনা হেক লৈরকঙৈদগী লৈরক্লবা খ্বাইদগী লীরবা মখলগী কলা অমনি হায়না লৌদবা য়ারোই। আর্টিষ্টকী পুন্সিদি কৎথোকপনি। শেমগৎ-শাগৎপনি অদুগা মালেম অসিবু হেন্না ফজহনবনি। চহীচা কয়াগী পুৱারীবু অয়েকপা লাই ওইনা পাউদম্বনি। ভিজ্যুএল পোইত্রিনি লাই য়েকপা শাবা হায়বসি। মী পূন্নমক্তা লাই য়েকপগী কলা অসি লোইনা য়াওদে। তমদুনসু হেক্তা হৈতে। মসিদি পীথোল্লকপা হায়বা মপোক্কী গুন অমসু চেন্দবা য়াদে।

ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ আর্টনা মালেম শিনবা থুংনা ক্রিএটিভ ওইবা আর্টকী থবক থৌরম কয়াবু পূক্নিং থৌগৎনবা অমদি মসিগী ফজবা শক্তমদু মীপূম খুদিংনা খঙনবা হায়দুনা ৱর্ল্ড আর্ট দে নুমিৎ অসিমক মালেম শীনবা থুংনা ফাওরবা লিওনার্দো দা ভিন্সিগী মপোক নুমিৎ এপ্রিল ১৫দা পাঙথোক্লবা হায়দুনা ৱারেপ তাখি। শক্লাইরবা আর্টিষ্ট অসিনা মালেম অসিগী শান্তিগী সিম্বোল ওইবা, ইচিন ইনাও ওইবগী মরীদা, ইনিং তম্না পূক্নিংগী ৱারোল ফোঙদোকপদা অমদি তোঙান তোঙানবা কলচর অমদি ত্রেদিসনদা লৈরিবা মীওই ফুরুপ কাঙলূপ কয়াবু অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী ৱাখল্লোন্দা নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি। য়ুনেস্কোগী কুমজা ২০১৯দা ফমখিবা মীফম অমনসু নুমিৎ অসিবু হেন্না পাক শন্না পাঙথোক্ল বা লেপখি। খুন্নাইসিদা আর্টিষ্ট কয়ানা তৌরিবা খুদোল অসি মপান নাইদে। য়ুরোপকী পুৱারীগী লমায়শিং মথং মথং হাইগৎলগা য়েংলুরবসু থোক্লক্কনি লোইবা নাইদনা শক্লাইরবা আর্টিষ্ট কয়া লৈবাক কয়াগী কলচরগী, লাইনীং লাইশোনগী, লাইরিক লাইশুগী লম্‌দা, মীওইবগী হৌরকপগী ৱারীশিংদা তৌরল্লিবা খুদোল কয়া।

ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ আর্টসনা হায়রিবা ৱর্ল্ড আর্ট দে অসি কুমজা ২০১২দা অমসুং ২০১৩দা তোঙান তোঙানবা মফমশিং ফ্রান্স, স্বিদেন, সাউথ অফ্রিকা, সাইপ্রস অসিনচিংবা লৈবাকশিংদা আর্টকী ইভেন্ট কয়া শীন্দুনা পাঙথোকখি। হৌখিবা চহী কয়াসিদা মালেমগী মফম কয়াদা চাউর-চাউরবা আর্ট এগজিবিসন কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। লেপ্তনসু অদুম পাঙথোকখিগনি অদুবু অখন্নবা নুমিৎ অমবু হন্দক য়ুনেস্কোনা লেপ্তুনা মালেম শিনবা থুংনা ফাওরবা লিওনার্দো দা ভিন্সিগী মপোক নুমিৎপু মালেমগী মীয়াম্না মালেমগী আর্ট দে হায়না পাঙথোক্লবা লাউথোল্লকপসি য়াম্না মরম চাই। মসিবু ঐখোয় খুদিংনা তরাম্না ওকফম থোকই।

ইন্দিয়াদা লৈরিবা ফাইন আর্টসকী ইন্সটিট্যুসন কয়াদা, ম্যুজিয়ম অমদি আর্ট গেল্লরি কয়াদা নুমিৎ অসি পাক শন্না নীংশিংদুনা থৌরম কয়া পাঙথোকফম থোকই। ইন্সটিট্যুসন খরদদি মসি হান্না অদুম পাঙথোক্লবসু য়াওরি। অসিগুম্বা নুমিৎ অমা ঐখোয়না শিন্দুনা পাঙথোকপা মতমদা হৌরক্লিবা অঙাংশিংদা কান্নরবা পাউজেল কয়া পীবা ঙমগনি। আর্ট গেল্লরি অমদি ম্যুজিয়ম য়েংবগী হৈনবী অমদি মসিগী কান্নবসি ঐখোয়না কয়া খঞ্জিল্লুদে। স্কুল এদ্যুকেসন্দা মসি য়াওহন্দুনা আর্টপু করিনো হায়বসি খঙহনবা মথৌ তাগনি হায়না খল্লি।

মালেম শীনবা থুংনা মমিং চৎলবা ফজরবা স্কাইস্ক্রেপরশিং, চাউরবা নুংশি খুদম ওইরিবা তাজমহল, মাইকেল এঞ্জেল্লোগী মার্বল ষ্টেচ্যু দেভিদ, লিওনার্দো দা ভিন্সি মোনালিসা, পূন্নমক মতম মতমদুগী আর্টিষ্টশিং অদুগী খুন্নাই অমদি পুন্সি মহিং অদুগী মমি ফজনা তারবা কলাগী খুদোল ঙাক্তনি। ক্লাসিকেল মতমগী আর্টতগী হৌদুনা তোঙান তোঙানবা মুভমেন্ট কয়া লাকখি লেপ্পা নাইদনা। রিনাইসা, নিওক্লাসিসিজম মোদর্নিজম, পোষ্ট মোর্দনিজম, এক্সপ্রেসনিজম, ইম্প্রেসনিজম, সররেল্লিজম, ক্যুবিজম, এবস্ত্রেক্ট অসিনচিংবা কয়া মথং মথং লাকখি। পূন্নমক হোংলক্লিবা মীওইবা খুন্নাইগী পুন্সি মহিং, শা-লান, মীওৎ মীনৈ, ওৎ নৈবা মালেমগী শাথীরবা লাঞ্জাওশিং, চাওখৎপনা খম থেংলবা মীওইবগী সভ্যাতা অমদি হিংবগী অমদি পুন্সিগী ৱাহন্থোক মাঙশিল্লক্লবা মতম পূন্নমক অসিগী মমিশিং আর্টিষ্টশিংগী কেনভাষ্টা অমদি মচু মচুগী পূক্নিং অতিয়াদা তাদনা খক তোক্তে।

মালেমগী মফম কয়াদা লাকখিবা আর্টকী মুভমেন্ট, মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী চৈথেং। কাঙলূপ ফুরুপকী মূক্লবা, লাইনীং লাইশোলদা তারিবা মমি, শম্না মণিপুরগী পুৱারীসু লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিংগী কেনভাষ্টা তাখিদনা তোক্তে। লমদম অসিগী লময়ানবা আর্টিষ্টশিং, নিংথৌজম ভদ্র, হঞ্জবম স্যাম্মো শর্ম্মা, মহারাজকুমার প্রিয়োব্রতা, রাজকুমার য়ূমজাওস্না মখোয়না য়েক্লম্লিবা পেন্টিংশিংনা করি ৱারীবু তম্লিবা ঐখোয় পূন্নমক্লা হনগৎনা য়েংদুনা নৈনবা য়াম্না কান্নগনি। হঞ্জবম স্যাম্মোনা কমদৌনা চাদা তূমদবমখৈ ইম্ফাল আর্ট কোলেজ লিংখৎখিবগে হায়বসি আর্টপু নুংশিজবা কয়াদি শোয়দনা খঙলমগনি। অদুবু মণিপুরদা লৈরিবা মীপূম খুদিংনদি মসি কয়া খঞ্জিল্লমল্লোই হায়না খল্লি। চাওখৎপা লমদম অমা ওইরক্লবা হোৎনবদা ঐখোয়গী লৈজরিবা কলা সংস্কৃতিগী মচাকশিং অসিবু নীংথিজনা মশক খঙবীবা অমদি মসিবু পূক্নিং থৌগৎপা তঙাইফদে হায়না খল্লি। ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা ইম্ফাল আর্ট কোলেজ অসি কুমজা ১৯৪৯দা লিংখৎখিবা ওইরবসু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা লৌখৎপা লৈত্রি। মসিদা ওজা ওইদুনা মহৈরোয় কয়া তাকপী তম্বীরিবা ওজাশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াসি ৱর্ল্ড আর্ট দে নুমিৎনা লাকপদা নৌহৌনা নীংশিংদুনা মখোয়বু ইকায়খুম্নবা অমদি তৌবিমল উৎপা ওইনা করিগুম্বা খরদি তৌবা চুম্মী হায়না খল্লি। নোংচুপ লমগী মহৈ কয়া তম্লুরবসু ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিংনা লমদম অসিগী কলচর ত্রেদিসন, লাইনীং লাইশোন, খুন্নাইগী অৱা-অনা কয়াবুদি লাপ্না খক নাথৈদুনা থমদে। আর্ট গেল্লরি কয়া মথং মথং থোক্লক্লি। ম্যুজিয়ম কয়াসু লিংখৎনরক্লি। কৈশামথোংদা লৈরিবা আর কে সী এস আর্ট গেল্লরি, লমদম অসিগী পুৱারীবু অয়েকপা লাই ওইনা য়েক্তুনা চেকশিন্না থল্লি। সিংহ পোর্ত্রেট গেল্লরিগী ওজা সনাতোন্না পুন্সি কৎথোক্লি আর্ট হায়বসিদা। ওজা ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্রনা ঙসিসু লেপ্তুনা খোমজিল্লি লমদম অসিগী মাঙখিগদৌরবা ইপা ইপুশিংনা শীজিন্নরম্বা লন কয়া চোকথবা নাইদনা। ওজা মুতুৱা বহাদুরনা থল্লি লমদম অসিগী অহীংবা ম্যুজিয়ম অন্দ্রোদা।

ঙসিদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইন আর্টস হাংদুনা মহৈরোয় কয়া তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা লাই য়েকপা, শাবা, হকপা তমদুনা চাওরবা কন্ত্রিব্যুসন কয়া পীরক্লি। ঐখোয়গী নহারোল কয়া মমিং লৈরবা আর্ট এগজিবিসনশিংদা শরুক য়াদুনা মনা কয়া পুরক্লি মণিপুর ইমাগীদমক। মসি লমদম অসিগী চাওথোকচনীংঙাইনি। আর্ট হায়বসি পুন্সিনি মসিবু ঐখোয় পূন্নমক্লা মশক খঙবা অমদি ইকায়খুম্নবা উৎফম থোকই। মালেমগী আর্টকী নুমিৎনা লাকপদা লমদম অসিদা লৈরিবা আর্টিষ্ট পূন্নমক্কী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎচরি। ●

# পুন্সিদা মায় পাক্কে হায়রবদি - ৩

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

লাইরিক লাইশু তম্বা হায়বসি এগজাম পাস তৌনবা অমদি থবক ফংনবগীখক খন্দুনা তম্বা য়াদে। মহৈ মশীন তম্বা হায়বসি পুন্সিগী মচল অমনি হায়না তমগদবনি। ফোর্দ মোটোর কম্পেনি হায়রিবা য়ু এস এগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা গাড়ী পুথোকপা কম্পেনি অসিগী ফাউন্দর অমদি সী ঈ ও ওইরম্বা হেনরি ফোর্দনা অসুম্না হায়রম্মী, "Anyone who stops learning is old, whether at twenty or eighty. Anyone who keeps learning stays young". মীতৈলোলদা হায়রগদি তম্ববু তোক্লবা অহল ওইরে, চহী কুন ওইগেরা, মরিফু ওইগেরা। তম্ববু তোকত্রবা নহা ওইনা লৈরে হায়বনি। মহাক্লা হায়নীংলিবদি মহৈ তম্বসি পুন্সিনা হেক লৈরিবমখৈ তমগদবনি হায়বসিনি। মহাক্লা মখা তানা অসুম্না হায়রম্মী, "The greatest thing in life is to keep your mind young". হায়রিবদি পুন্সিদা খ্বাইদগী চাউবা, মরু ওইবদি ঐখোয়গী পূক্নিং-ৱাখল অসিবু নহা ওইনা থম্বা অসিনি। হেনরি ফোর্দকী ৱাফমসিদা ঐহাক্লা ৱাহৈ অমা/অনীতংগা হাপচিঞ্জনীংই অসুম্না "The greatest thing in life is to keep your mind and body young". পূক্নিং-ৱাখল ফবতা নত্তনা ঐখোয়গী হকচাংসু চাং নাইনা শাজেল তৌবা লেপ্তুনা নহা ওইনা থম্বা হায়বসিসু য়াম্না মথৌ তাই হায়জবনি। হকচাং ফত্তনা মহৈ মশীন তুং কোয়না তম্বা ঙমলোইদো।

অসুম্না মহৈ তম্বসু, চাং নাইনা শাজেল তৌবসু পুন্সিনা হিংলিমখৈ তম্নবা অমদি চাং নাইনা শাজেল তৌনবা হোৎনগদবনি। তম্বা হেক তোকপদা, শাজেল তৌবা হেক তোকপদা ঐখোয় অহল হায়বদো খঙওই ওইশিনগদৌরিবনি।

মহৈ তম্বগী মতাংদা মতৌ করম্না মহৈ তমগনি হায়বসি হায়ফেৎ তানদুনা য়েংসি। পুন্সিদা খ্বাইদগী মহৈ য়ানগদবা মহৈ তম্বদি ঐখোয় ইশা ইশানা পামজবা, চান্নজবা হীরমদুদা তম্বদুনি। অদুদি নত্তদুনা ইমা ইপানা হায়বা ইল্লিবনি নৎত্রগা মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংগী টেলেন্টতুগা চান্নে চান্নদে খন্থদনা মখোয়না অপাম্বা হীরমদুদা চৎহন্নীংদুনা নম্ফুদা মহৈ তমহনবদুদি মায় পাকপা ঙম্লোই। করিগুম্বা মায় পাকপা থোক্লবসু তুং কোয়না মায় পাক্লোই অমদি পুন্সিদা নুংঙাইনা হিংবা ঙম্লোই। কোন্না নীংঙল্লক্তবা হায়বদো থোক্কনি। মসি মরু ওইনা ঐখোয় ইরমদম কংলৈপাক্তা য়াম্না তোয়না ইমুং কয়াদা থোকপা ৱাফমনি হায়না থমজগে।

হায়রিবা ৱাফম অসি মহৈ তম্বগী হীরমদা খক্তা নত্তে। অতৈ হীরম কয়াদসুনি। শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দসু মসি তোয়না থোকই। মচানা পামজবনা অমা অদুগা মমা মপা ওইবশিংনা পামজবনা অমা। মমা মপানা পামজবা স্পোর্টস অদু ইন্দুনা শান্নবদগী মশা মশানা পামজবা স্পোর্টসতা শান্নবা অদুনা তুং কোয়না মায় পাকপা হেনগনি। মালেমগী মফম কয়াদগী অফাও-অফাওবা শান্নরোয় কয়া থোরক্লিবা অসি মখোয় মশা মশানা পামজবা, চান্নজবা স্পোর্টসশিংদা শান্নজবা কাঙবুনি। খ্বাইদগী হেন্না মায় পাক্কদবদি মমা মপানসু পামজবা অদুগা মচাশিংনসু পামজবা অদুনি। অসুম্না মায়কৈ অনীমক পামজবা থোক্লবদি মমা মপাশিংদগী শৌগৎপা, পূক্নিং থৌগৎপা য়াম্না ফংই। মসিনা মায় পাকপদা য়াম্না মতেং ওই। মসি হীরম খুদিংমক্তনি। মহৈ মশীন তম্বদসু নাকল অনীমক্লা পামজবা ওইরবদি হেন্না মায় পাকপা ঙম্মী। মসিদা মমা-মপা ওইবশিংনা কাউবীরোইদবদি মমা মপা ওইবশিংনা পামগেরা পাম্মোইরা মচাশিংনা পামজবা হীরমদুদা চৎহনবা অসিনি মখোয়গী পুন্সিদা মায় পাকহনগে হায়রবদি। করিবু কান্নগদৌরিবনো মমা মপানা অপাম্বা লম্বীদা নম্ফুদা চৎহল্লগা মায় পাকপা ঙমদ্রবদি। মায় পাকপা থোক্লবা ফাওবদা মচাশিং অদুগী পুন্সিনা নুংঙাইবা ফংদ্রবদি মদু পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইদে হায়না থমজগে।

মহৈ-মশীন তম্বা হায়বসি নুংতিগী খরা খরা তমগদবনি। মতম খরা কান্না তম্লগা মতম খরা অমুক লেপ্পা অফবা খোঙথাং নত্তে। অদুগা চহী খরখক মহৈ তম্বা অদুনা মহৈ তম্বা লোইরে হায়নসু খনবা লাল্লি। পুন্সিনা লৈরিবমখৈ তমগদবনি মহৈ হায়বসিদি। হেনরি ফোর্দনা হায়রম্বদো নীংশিংগদবনি। চাং নাইনা নুংতিগী খরা খরা তম্বা অসিনা খ্বাইদগী ফবা হেল্লি। এগজাম য়ৌশিল্লক্লে হায়দুনা তূম্বা চাবা খঙদনা লাইরিক পাবগী চৎনবী, হৈনবীদো কান্নবা য়াম্না ৱাৎলি।

ঐহাক ইশামক্লা মহৈরোয় অমা তেরা সাপম লৈরক্তা, দি এম কোলেজদা অমদি জে এন য়ু, ন্যু দেল্লীদা মহৈ তমলিঙৈ মতমদা এগজাম য়ৌশিল্লক্লে হায়দুনা লাইরিক তখৎতনা পাখিবা ইয়াও য়াওখিদে। এগজাম নকশিল্লকপা লৈরবসু হান্নগুম চাং নাইনা শাজেল অমদি স্পোর্টস অদুম শান্নখি। হোয় য়াম্না কন্না শান্নবদুদি তৌখিদে। খরা হন্থনা শান্নখি লাইরিকলোমদা মায় হেন্না ওনশিনবনা। অদুবু অহিং তূমদবীদা, চাবা থকপা খঙদবীদা অমদি শাজেল তৌবগা লোইনা তোকথোক্তুনা লাইরিক পাবা কায়দুদি তৌরক্তে। অদুক কন্না লাইরিক পাখিদবা ওইরবসু ময়াম্না ফরে হায়না লৌনরিবা দি এম কোলেজ অমদি জে এন য়ু তম্বা ঙম্লকখি অমদি মায় পাক্লা লোইশিনখিবনি অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বা। চাং নাইনা শান্ন-শান্ননা জে এন য়ুদা এম ফিল কোর্স ৱর্ক তৌবদা চাদা ৭০গী মথক য়ৌই হায়দুনা ঐহাকপু দাইরেক্ট পি ঐচ দি তমহনবগী অয়াবা পীবিরক্তুনা পি ঐচ দি দাইরেক্ট তৌখিবনি।

মহৈ মশীন তম্বা হায়বসি ঙাইহাক্কী খন্দুনা হাথু হাথু তমগদবা নত্তে। ঐখোয়না ঙসিগী মহৈ তম্বগী লম্‌দনি খঙদে, শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দনি খঙদে ঙসিগী ফীভমসিদা য়ৌরকপসি হাথু হাথু চহী অমা অনী তম্লগা, শান্নরগা য়ৌরকপা নত্তে। ঙসিগী ফীভমসি য়ৌরক্লবা হোৎনবদা হায় স্কুলদা চহী তরা হেন্না, দি এম কোলেজ দা চহী মঙা হেন্না অমদি জে এন য়ুদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বদা চহী নিপাল হেন্না চঙনা তমদুনা য়ৌরকখিবনি। শান্নবগী লম্‌দসু মদু মঙাই। ঐহাক্লা মালেমগী ওইবা মশা মৰু ফবগী চাংদম্নবদা মিষ্টর এসিয়া মীংথোল লৌনবা হোৎনবদা চহী তরা হেন্না চঙখিবনি। মিষ্টর এসিয়া ফংলবা মতুং হেন্না চাউবা মঙলাল থমদুনা মিষ্টর ৱর্ল্ড মিংথোল ফংনবা হোৎনবদা চহী ১৩ হেন্না মায়থীদুনতা লাকখিবনি। অদুবু হোৎনবা লেপ্তবা, ইশাদা থাজবা থম্বা অমদি নীংখিবা ফিরেপ থাদোক্তবা, হোংদবা (never quitting) অদুনা মরম ওইদুনা চহী ১৩গী মতুংদা মিষ্টর ৱর্ল্ড মিংথোল অসি অহানবা ওইনা ফংখিবনি গ্রীক্কী Zakynthos হায়রিবা কোনুংসিদা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুর অমদি টাইৱানবু মহুৎ শিন্দুনা। বোদিবিল্ডিং শান্নবা হেক হৌবদগী মিষ্টর ৱর্ল্ড মিংথোল ফংবদা চহী ২৪ হেন্না চঙখিবনি। মিষ্টর অমুক লৌখ্রবা মতুংদগীদি জজশিংনা শকখঙলবা অমা ওইনা মিষ্টর ৱর্ল্ড কপ, মিষ্টর ৱর্ল্ড, মিষ্টর য়ুনিভর্স, মিষ্টর নেচরেল ওলিম্পিয়ানচিংবা মিংথোলশিং মথং মথং মালেমগী ওইবা মিংথোল পূন্না তরানিথোই লৌবা ঙমজখিবনি। মসিগী মথক্তা "Natural Bodybuilding Hall of Fame" (এসিয়া পূম্বগী ওইনা ইতোমতনি অমদি "INBA PNBA WORLD AMBASSADOR AWARD" সু ফংখিবনি কুমজা ২০১৮দা। মসিগী মিংথোলসিদি মালেমদা ইতোমতা ঙাইরি, কনা অমত্তদা পীখিদ্রি। মালেমগী ওইবা মিংথোলশিং অসি ঐহাক্লা য়ুনিভর্সিটিগী ওজা অমা ওইবগী থবক তৌরবা অমদি ইচা মরি লৈরবা মতুংদা ফংলকপনা অয়াম্বনি।

মরম অসিনা ঐহাক্লা ঙসিগী হৌরক্লিবা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা ইরমদম কংলৈপাক্কী মহৈরোয়শিং অমদি নহারোলশিংদা হায়জনীংবদি মহৈ তম্ববু ওইরো, শান্নববু ওইরো, শাজেল তৌববু ওইরো, পুন্সিদা তুং কোয়না মায় পাক্কে, তুং কোয়না হকচাং ফনা অমদি নুংঙাইনা হিংগে হায়রবদি চাং নাইনা নোংমগী খজিক খজিক, মচেৎ-মচেৎ, খোঙথাং অমদগী খোঙথাং অমা থাংবগুম তমশিনবা অমদি শাজেল তৌবা, শান্নবা অসি য়াম্না মথৌ তাই। মহৈ তম্বসু, শান্নবসু মতম খরগী খন্দুনা তৌরোইদবনি। পুন্সিগী খেঙচৎতা মচল অমা ওইনা শীজিন্নগদবনি, থমগদবনি। অদুগা কাউরোইদবা অমনা, অতোপ্পা, মরু ওইনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা য়াম্না নুংশিনবা মরী থম্বা য়াম্না মথৌ তাই। লোয়ননা অতোপ্পা নক্লবা লুনা চান্না তিন্নবশিং ইমান্নবা, ক্লাসমেটশিং, ওজাশিং অমদি অতোপ্পা অতৈগসু অফবা মরী থম্বা য়াম্না মথৌ তাই পুন্সিদা তুং কোয়না মায় পক্কে নুংঙাইনা হিংগে হায়রবদি। হায়রিবা পোৎলম অহুম হায়বদি অতোপ্পগা অফবা মরী থম্বা (সোসল লাইফ), চাং নাইনা শাজেল তৌবা, স্পোর্টস শান্নবা অমদি চাং নাইনা মহৈ তম্বা অহুমসিগী মনুংদা অমা হেক ৱাৎপদা পুন্সিদা তুং কোয়না মায় পাক্লা অমদি তুং কোয়না নুংঙাইনা হিংবা ঙম্লোই হায়বসি কাউবীগনু।

মথক্তা পঞ্জরিবা হীরম অহুম অসি মতৌ করম্না পাঙথোক্কদগে, পূন্না থমগদগে হায়রবদি মতমবু নিংথিনা মাগী মাগী য়েন্থোক্তুনা শীজিন্নবা হৈগদবনি। নোংমদা পুং ২৪ লৈবসিদা, পুংজা ৮ মুক তূম্বগী কাইথোকখ্রগা লেমহৌরিবা পুংজা ১৬ অসিদি সোসল লাইফ, এক্সর্সাইজ/স্পোর্টস অমদি ষ্টদি তৌবদা কায়থোক্কদবনি। সোসল লাইফ হায়বসিদা ঙাইহাক নুংঙাইথোকপগী মতমসু য়াওগদবনি। মতৌ অসুম্না মতমবু নিংথিজনা য়েন্থোক্তুনা হায়রিবা হীরম অহুম অসিবু নিংথিজনা পাঙথোক্লবদি পুন্সিদা মায় শোয়দনা পাক্কনি অমদি হকচাং ফনা, তুং কোইনা নুংঙাইনা হিংবা, লৈবা ঙমগনি। ●




# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## এদেদ স্কুলগী লাইবক

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুর লৈঙাক কয়া শিন-শিন্দুনা পানখ্রে। মসিদা অওনবা অহোংবা কয়া লাকহনবা ঙম্বা অনৌবা চাওখৎপা কয়া পুরকহনবা ঙম্লে হায়দুনা অনৌবা লাকপা লৈঙাকপা কয়ানা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক কয়া তৌরে হায়দুনা অকনবা ৱাফম কয়া তৎতনা থম্বগী মনুংদা এদ্যুকেসন অসিসু হুন্দোক্তুনা থম্বা য়ারোই। এদ্যুকেসন হায়বসি লৈবাক্কী য়াংলেন শরূনি। মসি শোথরবা লমদম অদু মমিৎ তাংলবা, মনা পংলবা মীওই ঙাক্তনা খুল্লিংবা লমদম অমা ওইরগদবনি। ঙসিমক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা হান্নগী লৈঙাক্লা তৌরমদবা থবক কয়া নুমিৎ ১০০নিগী মনুংদা পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা উৎকনি হায়না লাউখিবা ঐখোয় খুদিংনা তাখ্রে। অদুবু হান্নগী কুমজা ১৯৮০গী মতমদা পানখিবা আর কে দোরেন্দ্রগী লৈঙাক মতম অদুদা এদ্যুকেসনী মিনিষ্টর ওইনা লৈরম্বা ইরেংবম তোমপোক্লা মণিপুর লৈঙাক্লা মশক খঙলবা স্কুল ৬০৫ গ্রান্ট পীবিদুনা মথ্বায় হাপ্লীখিবনি। হৌজিক চহী ৪০ হেল্লবা অসি ফাওবা হান্নদগী মচি লেংদনা লৈরি। এদেদ স্কুল কয়াসি তশেংনা কাংখুল মুৎখিবা ঙাইরিবনি হায়বদা থোইদোক্লা হেঞ্জিনবা ওইরোই। মীয়ামগী য়াইফনবা থবক কয়া তৌরি হায়রগা অসিগুম্বা স্কুলশিং অসিদা তমজরিবা লায়রবগী পনখৈগী মখাদা লৈবা, শেল য়াম্না চঙনা লন্নাইগী মহৈলোইশঙদা থাবসু ঙমজদবা মহৈরোয় কয়া অমদি মদুদা মথৌ তৌজরিবা অৱা অনা থিদনা শুপ্নগী অপিকপা শেনফমনা য়েন্নদুনা হিংজরিবা ওজা কয়াবুদি য়াম্না তাথীনা মীরাইবীরে। মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা য়েংবীদুনা মহৈরোয় শুকলৈ লৈতবা স্কুল কয়াবুদি তোপ্লা খন্নবীরগা মহৈরোয় লৈবা স্কুল কয়াদি লৈঙাক্লা মপূং ফানা লৌশিনবীদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌরে হায়বা উৎপীরবদি মীয়াম্না পেন্নগনি। অদুবু মসিমক্তি উৎপা ঙমদনা লৈরিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। হীরম অসি ৱাৎলবা মীয়ামগী থবক তৌবনি হায়বা য়ারোই।

ঙসি ফাওবদা এদেদ স্কুল অসিদা মতম শাংনা মথৌ তৌরক্লবা ওজা কয়া অহল ওইরক্তুনা তৌফম খঙদ্রবা মতম অসিদা মখল কয়াগী শিনফমদা লৈবা কয়াগীদি পেন্সন পীগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে। মরাইবক থীরবা ৱাকৎ ময়ামদি তবীদনা, উবীদনা ঙসি ফাওবা লৈরিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবা অমা ওইরি। মসিবু মীয়ামগী ৱাফম নত্তবরা? অমরোমদা হান্না এদেদ স্কুলদা হিন্দি পোষ্ট অমমম লৈদুনা হিন্দি এদ্যুকেসন লৈরম্মী। সেন্টরগী য়াকা য়েংদুনা লৈরিবা ষ্টেট লৈঙাক্লা সেন্টরগী অপাম্বগী মায়োক্তা কুমজা ২০০২গী এপ্রিল ৭তা মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট লৈনা লৈনা পোষ্টশিং অদু ককথৎতুনা থমখিবদু ঙসি ফাওবা হিন্দি ওজা য়াওদনা থম্বীরি। মসিনসু খ্বাইদগী চুমদবা অমনি। মসিসু লৈঙাক্লা খন্থবীবা মতম ওইদ্রি হায়না খনবীবা মীয়াম্বু মনা পংহনবনি, মমিৎ তাংহনবনি। পূন্নমক য়েংবীরগা খরদি লৈঙাক্লা খন্থহন্নীংই।

*অদোমগী - এম থম্বৌ*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।